ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



ককচীং চুম্নাং লৈকায়দা লৈবা শিজ সিটি দেন্টেল হোস্পিটালনা শিজ আইক্যের ফাউন্দেশন অমসুং নেশনল প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ওফ ব্লাইন্দনেসকা খুৎশম্নদুনা মীৎ লায়েংবা অমসুং ঙৌদোংগী সর্জিরি কেম্প পাঙথোক্তুনা লায়েংখিবা

লৌশিং পূক্কে : দেঙ্গি নারকপা মতমদা ঐখোয়না পায়খৎপা ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ লোইজরে, অদুবু লোইজদ্রি
পুরিগী রথ যাত্রা অমসুং ঐখোয়গী কাং চীংবা ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ হায় রিস্ক গ্রুপশিংবু পাক্তক্লনা হেপাটাইটিস-বিগী...
ইন্দিয়ানা বোর্দর দিমার্কেশনগী মতাংদা চাইনাগা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ ফিফা ক্লব ৱর্ল্ড কপ : মেঞ্চেষ্টর সীটিনা জুভেন্টস...

ইঙেনগী নীনি পানবা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কাং (রথ যাত্রা) নুমিৎতা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা শ্রীশ্রীগোবিন্দজি মন্দিরদা লাক্তুনা লাই খুরুমদুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবা থৌনিখিবা



Vol. 49, Issue No. 088 | থাংজ, ইঙেনগী হুমনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, June 28, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## ইম্ফাল মনুংগী মী চিল্লবা লম্বীশিংগী ময়ায়দা কোমজাউ তৌথোকপা প্রোজেক্ট অসিবু লোইগদবা কয়াম ৱাৎলিবগে

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ১১/১২ রোমগী মমাঙদগী ইম্ফাল মনুংগী মরু ওইবা অমসুং মী চিল্লবা লম্বীশিংগী ময়ায়দা কোমজাউ-কোমজাউ তৌথোক্তুনা হুৎতোল্লগা চত্থরকখিবা প্রোজেক্ট অসি ঙসি ফাওবদা লোইশিন্দনা অমুক তৌথোকপা অদুগা অমুক ফুমজিনবা তৌরক্লিবসিবু করম্বা মতমদা লোইগদগে হায়না লম্বীশিং অসিদা অচৎ-অওক তৌবশিং খক্তা নত্তনা কোমজাউ তৌরে হায়বা খঙহন্নবা খুদম-চাংদম অমত্তা পীদবদগী থোমজিন-য়ৈশিন্দুনা অমসুং পুত্থদুনা এক্সিদেন্ট থোক্লবা মীওইশিংনা হংনরক্লে।

মীয়ামগী কান্নবগীদমক ইম্ফাল অমসুং গ্রেটর ইম্ফালগী লম্বীশিংদা ইন্টিগ্রেটেদ সিৱরেজ সিষ্টম ফোর সিটি ওফ ইম্ফালগী মখাদা পায়খৎলকপা থবক ওইরবসু অদুক্কী মতিক মঙম শান্দ্রে। থবকশিং অসি হৌবদগীনা লোইশিনগদবা ফাওবগী অকক্লবা মতম ফাওবা লৈত্রবরা হায়না হংনরক্লে।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী সিষ্টম অসিগী ফেজ টুগী থবক্লি হায়দুনা সড়ক ময়ায়দা



জুন ২৭, ২০২৫গী নুংথিল পুং ২.৪৭ তারকপদা ওইখিবা ইম্ফাল-ময়াং ইম্ফাল লম্বীগী ফীভম অমা

কোমজাউ তৌথোক্লগা পাইপ ইনশিন্দুনা ফুম্বা অমসুং পাইপশিংগী জোইনিংদা আর সী সী হৈজিল্লিবনি হায়দুনা শেমজিল্লিবা মফমশিং অমুক হন্না নীংথিনা মেনশিল্লমদবা অমসুং তৌথোক্লিবা মফমশিং খঙনবা খুদম-চাংদম পীদবনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা অদুক্কী মতিক খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

মীয়াম্না মায়োক্লরক্লিবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টতগী ফংবা পাউনা হায়বদা ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্ট ফেজ-ৱান অসি হৌখিবা চহী ২০০৫দগী থবক হৌরগা লম্ফেলপাৎতা মায় পাক্লা ত্রিটমেন্ট প্লান্ট শাগৎপগা লোয়ননা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ১৬তগী প্রোজেক্ট অসিগী থবক হৌখ্রে। অহানবা ফেজদা মতম খরা চঙখিবনা প্রোজেক্ট অসি হৌবগী মতম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## বি জে পি পনবা য়াদ্রবা মতমসিদা বিরেননা মণিপুরদা ৪০ কাগনি হায়না পারিবসি করিদা য়েংলগা হায়বনো : এম এল এ রঞ্জিৎ

‘হৌজিক মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিদা বি জে পি নোংম-নোংমগী মরায় চাইথরক্লে হায়বসি পার্টি অসিনা খঙবা মতম ওইরে’

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** বি জে পিগী প্রোক্সি ৱার অসি করম্বা মতমদা লোইগদগে হায়বা ঙমদে অমসুং মণিপুরদা মীয়াম্না পাল্লিবা অনৌবা লৈঙাক হায়বদুসু শেম্বগী ৱাফমদি হৌজিকমক্কী ওইনদি ওইথোকখিরোই হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) গী দেপ্যুটি লিদরসু ওইরিবা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহাক্কী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ৪৫ চঙনা ফুট ১৫০ শাংলগা ৭৪ পাকপা ৱাঙু লাইফম চিথেক লৈকায়দা নৌনা শাবা মীয়ামগী মল্টি পর্পজ কম্যুনিটি হোল অমা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শিন্নবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।



এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ৱাঙু লাইফম চিথেক লৈকায়দা মহাক্কী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দদগী লুপা লাখ ৪৫ চঙনা শাবা মল্টি পর্পজ কম্যুনিটি হোল শঙ্গাবা

কন্সত্রক্সন কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা এম এল এনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা থোক্লিবা চহী ২ হেল্লবা ঈরাং অসিনা লমদমসিদা লৈরিবা মীয়াম খম থেংনা ৱারে। লান অসি কম্যুনেলনি হায়না সেন্টরগী লৈঙাকপশিংনা হায়রিবসি অরানবনি। মণিপুরগী লান অসি কম্যুনেলগী ওইবা থৌদোক নত্তে। বি জে পিগী লৈঙাকপশিংগী মনুংদা য়ানরক্তবা, নাকপাক তান্নরকপা অমদি কন্সটিট্যুশন খঙনা লৈঙাকপা হৈতবদগী থোরকপনি। অমরোমদনা বি জে পিগী প্রোক্সি ৱারনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু তোর্বুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক শেম্বগী মতাংদা গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী য়ূমদা চিকথনখ্রবরা

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেননা রিজাইন তৌখ্রবা মতুং থা অদুগী ১৩দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা চৎনহল্লক্লিবা পি আরগী লৈঙাক থা ৪ হেঞ্জিল্লকপগা ইরোয়ননা মথং থাগী ২১দগী পার্লিয়ামেন্টকী মীফম মাঙওইননা অনৌবা লৈঙাক অমা লিংহল্লকপা য়াই হায়বগী থাজনবা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা ঙসি নুমিদাং নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর টুগী নিংথৌখোং কৈথেল মনাক্তা লৈবা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী য়ূমদা হান্নগী লৈঙাক্তা য়াওরম্বা/শৌগৎলম্বা এম এল এ খরা পুন্দুনা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

এম এল এ অসিগী য়ূমদা অতোপ্পা এম এল এশিং মথং মথং লাক্তুনা পুনবা হৌরকপদগী পাউচে অসিগী পাউমীনা চঙশিন্দুনা এম এল এগী গেটতা লৈরম্বা এস্কোর্ট কম হাউস গার্দ সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা হংলুবদদি চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোরকখিদে। মসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



জুন ২৭, ২০২৫গী নুমিদাংদা এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী য়ূমদা পূনখিবা এম এল এশিংনা তোংলকপা অমসুং মখোয়গী এস্কোর্ট পর্সনেলশিংগী গাড়ী

## এন ঐচ-২গী নাগালেন্দগী ফেসামাদা তৎখিবা লম্বী শেমজিনবগী থবক হৌজিক হোরেল লোইখিরোইদৌরি

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদসু মমাঙ থাগী ২৭/২৮দগী নোং লেপ্তুনা চুখিবদগী ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লখিবগা ইরোয়ননা দিমাপুরদগী নাগালেন্দ ফাওরগা মণিপুর য়ৌরক্লিবা এন ঐচ-২ পরিংগী কোহিমা দিষ্ট্রিক্টকী ফেসামাদা ফুট ৬০ হেন্না হায়রে অসিগী শরুকশিং পুল্লপ কিন্থদুনা নমথখিবদগী মহৌশাগুম্না চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদদুনা হৌজিক বাইপাস রোদতা মাও মরাম য়ৌনবা লাক্লরিবা অসিগী মথক্তা এন ঐচ আই দি সী এলনা তৎখিবা হয়ৱেগী শরুক অসিগী চীংলোমদা ককশিল্লগা নৌনা শেম্নবা হোৎনরক্লিবসি হৌজিক হৌরেন লোইশিনবগী মমি তাদ্রি।



নাগালেন্দগী ফেসামাদা এন ঐচ-২গী শরুক খরা নমথদুনা তৎখিবা মফমদা চীং কক্তুনা শেমগৎলকপগী জুন ২৭, ২০২৫ ফাওবদা ওইখিবা শক্তম

নেশনল হায়ৱে ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### হোম মিনিষ্ট্রিনা শীনবা জুন ৩০গী দেল্লী মীফম

## মীতৈগী সী এস ওশিং পূন্না উনগদ্রা নৎত্রগা তোঙান-তোঙান্না উনগদ্রা খঙদ্রি

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখিবগা লোয়ননা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লাননা চহী ২ ফাজিল্লকপা এপ্রিল ৫, ২০২৫দা অহানবা ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) না শীন্দুনা দেল্লীদা মীতৈ অমদি কুকি-জোগী সী এস ওশিংগী মীহুৎশিং অহানবা ওইনা ফম্মিন্নদুনা মীফম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মে ২৭, ২০২৫দা মীতৈগী সী এস ও অনীগী মীহুৎশিংগসু এম ঐচ এগা দেল্লীদা অনীরকশুবা ওইনা পাঙথোকখিবা মীফমদা মীতৈগী সী এস ও অনীগী মীহুৎশিং পূন্না ফম্মিন্নদুনা লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবা ৱারী শানবগী মহুত্তা তোঙান-তোঙান্না উনখিবনা থা অসিগী ৩০দা অহুম্লকশুবা ওইনা মিনিষ্ট্রি অসিনা কৌরক্তুনা নুমিৎ অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদসু শরুক য়ারগদবা মীতৈগী সী এস ওশিং পূন্না উনগদ্রা নৎত্রগা তোঙান-তোঙান্না উনগদ্রা হায়বসি ঙসি নুমিদাং ফাওবদা লৈখাই তাখিদ্রি।

অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং পাউচে অসিনা অমুকোগী মশক নাইবা লুচিংবা অমদা হংখিবদদি মখোয়গী ওইনদি মীফম অসিদা শরুক য়ারুনবা মীহুৎশিং খন্দোক্লে অমসুং থা অসিগী ২৯দা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লবা ফ্লাইট টিকেটনচিংবা কক্তুনা থৌরাং তৌরে হায়রি।

অদুবু মমাঙ থাগী ২৭তা মীতৈগী সী এস ও অনীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ডা. এল এম সিংহ শরুক য়ারুগনি

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** হয়েংদগী হৌরদুনা ন্যু দেল্লীদা নুমিৎ নীনি পাঙথোক্কদবা গেষ্ট্রো কনফরেন্সদা শরুক য়ারুনবগীদমক ডা. এল এম সিংহ (দি এম গেষ্ট্রো) ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লক্লি।

### শ্রীশ্রীগোবিন্দজি মন্দিরদা গভর্ণর

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙসি মহৌশাগুম্না ইঙেনগী নীনি পানবা নুমিৎতা পাঙথোকপা কাং (রথ যাত্রা) নুমিৎতা গভর্ণর এ কে ভল্লানা শ্রীশ্রীগোবিন্দজি টেম্পলদা লাক্তুনা লাই খুরুমখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পুরক্লবা থৌনিখ্রে হায়রি।

### এ দি সীগী মীখল পাঙথোক্লবা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :**

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংগী মেম্বর ওইরম্বশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমনা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণরগা উনদুনা মখোয়গী পাঙথোকফম ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ‘মরাল লৈবশিং পুথোরক্তুনা চৈরাক পীদ্রবদি ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীদা কুকিশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা য়ারোই’

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৬তা মোঙ্কোৎ চেপু খুলদা কুকিশিংনা উখ্রুল তম্না লাক্কদবা পেসেঞ্জর ৱিঙ্গর গাড়ী অমগী দ্রাইভর অমসুং পেসেঞ্জরশিংফূ চৈবগী থবক চত্থখিবদা নুপী পেসেঞ্জর অমগা ৱিঙ্গর দ্রাইভরগা শোকখিবগী থৌওংবু খুল অসিগী চীফকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা নাগাগী লূপ অনীনা পূন্না খুৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদা পুং ২৪গী মনুংদা থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং পুথোক্তুনা মরালগী মতুংইন্না চৈরাক পীদ্রবদি এন ঐচ ২০২ (ইম্ফাল-উখ্রুল) লম্বীদা কুকিগী মীওই অমত্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারোই অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা চঙবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

ৱাফম অসি কাথো কতম্নাওলোংগী প্রসিদেন্ট মসুংমি জিঙ্খাই, লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱুংমায়ুং সয়াই অমসুং তাঙ্খুল নাগা ভেল্লি ষ্টুদেন্টস এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট মাথিংসো জাজো ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### অৱাংখুলদা চীংনীংখাইরকপদগী চৎথোক-চৎশিন য়ারুদ্রে




**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা মরম ওইরদুনা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অৱাং খুলগী লুৱাংচং অমদি রামকুলগী মরক্তা হায়ৱে মথক্তা চীং নীংখাইরকপদগী চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারুদ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তারকপদগী হৌরকখিবনি। অদুবু চীংগী শরুক্তগী নীংখাইরক্লিবশিং অদু এ বি সী আই কম্পনি প্রাইভেট লিমিটেদকী শিন্মীশিংনা এক্সকাভেটর অমদি ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মিজোরামদা ম্যান্মারগী রিফ্যুজিশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি : লালদুহোমা

**আইজোল, জুন ২৭ (এজেন্সী) :** মিজোরামদা য়ূমথংনরিবা ম্যান্মারদগী লৈবাক অসিদা চৎনরিবা লোগী ৱাংমদা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লক্তুনা হৌজিক লিশীং ৩২গী মথক্তা লৈরক্লিবা অসিগী মথক্তা মখা তানা ম্যান্মার রিফ্যুজিশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি হায়না মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা পাঙথোকপা মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। হায় লেভেল মীটিং অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসকী জোইন্ট সেক্রেটরিসু ওইরিবা প্রোটেক্টর জেনরেল ওফ ইম্মিগ্রেন্টস সুরিন্দর ভগৎসু শরুক য়াখি।

ম্যান্মারদগী মশীং য়াম্লবা রিফ্যুজিশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লিবসি হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসিদগীনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্ট্রিগী ওফিশল অসিদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মিজোরামগী মীওইশিংনা করিগুম্বা রিফ্যুজিশিং অসিবু অরানবা মওংদা চঙজফম পীরম্লবদি মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়নসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### পাওবীতেক্তগী চেসম কাদিরগী মীহাৎ

## পুলিসনা ম্যেন এক্ক্যুজ খাবগা লোয়ননা ক্রাইম সিন ইনভেষ্টিগেশন চত্থখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১০ অমসুং ১১গী লোন্নবা অহিংদগী মফম খঙলক্ত্রবা মতুংদা শামুরৌ মখা লৈকায়গী মনীং থংবা শরুক নম্বুল তুরেল মপান্দা হাৎলগা ফুমজিল্লম্বা পাওবিতেক ময়ায় লৈকায়দগী মীমান্নদ্রবা চেসম অব্দুল কাদির এলিয়জ অচৌবা মীশিগী মতাংদা ৱাঙ্গৌই পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা চত্থরকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### ষ্টেট মিনিষ্টর অমসুং এম পি ওইরম্বা বি দি বেহরিং লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :**



রিজাইন তৌখ্রবসু কুমজা ১৯৯০দা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা খনখিবদা নত্তনা ৪১-চান্দেল (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী অনীরক কারক্তুনা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) ওইরমখিবা বি দি বেহরিং ঙসি লৈখিদ্রে।

মশাগী চহী ৭২শুখ্রে। মহাক চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী চকপীকারোংগী থোরচাম খুলদা কুমজা ১৯৫৩দা পোকখিবনি। মহৈগী থাক্তা এম এ (পোলিটিকেল সাইন্স) ওইখিবা বি দি বেহরিং তোঙান তোঙানবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### অঙ্গনৱাদি ৱার্কর সিমা শহানি হাৎপদা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীগদবনি




**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২১গী নোংঙাল্লমদাইদা মশাগী ফমুংদা তূন্লিঙৈদা মপুরোইবনা মঙক্তা থাঙনা লেন্দুনা হাৎখিবী কৈখু মনীং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ওইরম্বী সিমা শহানিগী মীহাৎ অসি লৌতুনবা মীহাৎনি হায়রদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিংগী মথক্তা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়বগী দিমান্দ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা বিরেননা লুপা লাখ ১/১ পীগনি হায়রম্লগা লুপা লিশীং ২৫/২৫ খক পীরম্লগা অৱাংপদি পীরক্ত্রে : ভৌজাদোন

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী

হকথেংনবা পাউদম

চূড়াচান্দপুরগী ঙাথল মীতৈ লৈকায়দগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লানগী অহানবা মফম ওইরিবা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঙাথল মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৫৩ রোম শুরক্লবা কোন্থৌজম ভৌজাদোননা পাউচে অসিদা হায়, ঐখোয়না লাঞ্জেন্নরকপা কুইদ্রিঙৈ মতমদুদা লৈরম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরনা লাঞ্জেল্লক্লিবা আই দি পি অমমমদা লুপা লাখ ১/১ পীগনি হায়দুনা লুপা লিশীং ২৫/২৫ খক পীবা হৌরম্লগা অৱাংপা



শেনফমশিংদি ঙসি ফাওবা চহী ২ হেল্লক্লবসু অদুমক ফংদ্রে। অদুগা আই দি পিশিংগী মরক্তসু লুপা লিশীং ২৫/২৫ ফাওবা ফংদবা মীওই কয়াসু য়াওরি।

মহাক্না হায়, ইশাগী য়ূমদা মতম কুইনা লৌশিং উদুনা ইশাগী হুমাং মমলনা হিংজরকপা পূন্সি ওইরবসু চূড়াচান্দপুরদা চাউজরকপনিনা মফম অদুগী অঙৈং-অশাগা শ্নাইদা লৈরিবা অঙৈং-অশাগা য়াম্না খেন্নবগুম তৌই। ইশাদা চান্নদ্রবরা হায়না খল্লি। লাঞ্জেন্নরকপা চহী ২ হেল্লবা ফাওবদা হৌজিকসু য়ান-য়ানবা অদুমক হোৎনদুনা হিংলি। হকচাং ঙমদবা য়াওরক্লবসু অদুমক খাঙলি। অচৌবা লৈবাক্কী ইস্যু ময়াম অসিদা লৈঙাক্লা ঐখোয়বু চরা ফাওবদি হেলহনবীদনা থম্বীরি। মসিগীদমক্তদি লাঞ্জেন্নরক্লিবা ঐখোয়গী মায়কৈদগী লৈঙাকপু থাগৎনীংই। অদুবু ইশাগী অশেংবা লন ওইজগদৌরিবা ইচা-ইশুশিংবু মশুং-মমান্নবশিংগা মীমান্নবা ঙম্নবা মখা তানা মহৈ মশিং তমহন্নবা হোৎনবদদি রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয় অদুক্কী মতিক ৱারে। (মথং-মথং)

### মণিপুরদা কোভিদ-১৯ : পোজিটিভ কেস মশীং ২১৭ শুরে, ৮২ দিসচার্জ তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) :**

চৎলিবা থা অসিগী ১দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা মীৎয়েং চঙলক্লিবা মণিপুরদা থেংনবা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেসশিংগী মনুংদা ঙসি ফাওবগী ওইনা অপূনবা পোজিটিভ কেস ২১৭ থেংনরে হায়না মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী ওফিশলশিংনা থোরকপা ষ্টেটস অপদেট রিপোর্ট অমনা হায়রি। ষ্টেটস অপদেট অসিগী মতুংইন্না ঙসি অপূনবা সেম্পল ৬০ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা পোজিটিভ কেস ১৫ থেংনখি। নৌনা থেংনবা কেস মশীং অসি থারগা পূন্না ২১৭ শুরে হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫